হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ওক্টোবর ১৪, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৯৫শুবা মশীং


# য়োংনা হয়িং হাৎনবগী থৌদোক

## তাহনগুমসি, চুমদে শেমদোকউ

সেপ্টেম্বর, ২০২২দা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দরদু মণিপুরগী কলচর, ত্রেদিসন, হিষ্ট্রি অমসুং জিওগ্রাফিগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং ইরকপদা মদুবু লাইরিক ওইনা ফোঙদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈঙাক্না শেম্বা কম্মিটি অমনা য়েংশিনগনি হায়বসিনি। ৱাফমসি ফোঙদোরকপগা ইরোয়ননা কম্মিটি অদুসু শেমখিবনি। লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থবকসি য়াম্না ফবা থবকনি। লৈঙাক লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন খক্তগী ওইবা ৱাফম নত্তে। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং শৌগৎনরক্লিবশিংগী ওইবসু নত্তে। অদুগা লৈঙাক্কী ওর্দরসি মরী লৈনবা হীরমশিং অসিগী মতাংদা লাইরিক ইবা অকক্নবা মীওই খরদা অতম্নবা তৌরকপসু নত্তে। পূমশেং-শেংবা অমসুং পুমচুম চুম্বা মণিপুরগী হীরমশিং অসিগা মরী লৈনবা পুৱারীগী লাইরিক খরদা চওৎতি তৌরক্তুনা খাবৈ-খারা শারকপা য়াওরকপদগীনি। মতম খরগী মমাঙদসু পি ঐচ দিগী থেসিস অমদা মণিপুরগী পাক চাওবা অমসুং চীংমী-তম্মীগা মরী লৈনবা ৱাফমদা শেরান-তুরান হায়জিল্লে, ইশিল্লে হায়বগী মতাংদা লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রিবনি। থেসিসতুদা খূৎয়েক পীরুবা প্রোফেসর অমগা অৱাই-অখুম তৌনখিবা লৈখ্রবনি। অকনবা প্রোটেষ্টশিং তৌখ্রবনি। থৌদোকসি খক্তগী ৱাফম নত্তনা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নরক্লিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মরক্তগীসু মখোয়গী খক্তগী ওইবা কান্নবা, ওইজ-ওইথক্কী মানবা ৱাফম/ৱারোল য়াওবা মফোঙদোক্কী থবকশিং চত্থনরকপা য়াওখ্রবনি। মরম অসিনা মণিপুরগী ফুরুপ কাঙলূপ পূন্ন মক্কী কলচর, ত্রেদিসন, হিষ্ট্রি অমসুং জিওগ্রাফিগা মরী লৈনবা লাইরিকশিংদা লৈঙাক্না পাদম/য়াচল লাক্নবা হোৎনরকপা/লৌখৎলকপা থৌরাং শোয়দনা ওইগনি। হায়রিবা হীরমশিং অসিগী মতাংদা লাইরিক ইগনু অমসুং ফোঙগনু হায়বদি নত্তে। ফুরুপ কাঙলূপ পূন্নমক্কী ওইনা ফৈরেং-তুরেং চৎখিদনবা থৌরাংনি। য়াম্না ফৈ।

অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৈবাক মীয়াম ইনভোল্ব তৌবা ওর্দর/নোটিফিকেসন/সর্ক্যুলর/মেমোরেন্দমনচিংবা থোরকপসি হোয় মরী লৈনবা ওথোরিটি অদুগী ওফিসলশিংনা থোক্কদবনি। থোকফম থোকই, থোকফম থোকপদগী থোরক্লিবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা থোকপা হায়বসি লৈঙাক্তুগী মশক, পোলিসি-প্রোগ্রামনচিংবা তাকপা ওফিসল ওইবা চেরোল ওইগদবনি। চেরোল অদুম্মক লৈঙাকনি হায়দুনা লৌগদৌরিবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা লৈবাক মীয়ামগী ওইগদবা ওর্দরদদি মরী লৈনবা লিগেল প্রোভিজনশিংসু য়েংফম থোকই। অফবা, অচুম্বা অমসুং তৌদবা য়াদবা ওইরবসু লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিটুস্যসননা কদাই ফাওবা ঙাক্লৌ পীবগে নৎত্রগা পীদ্রবগে? লৈবাক চাওই, অখঙ-অহৈসু য়াম্মী। ৱায়েৎলক্লগনা করম্না মায়োক্নবা হায়বনচিংবা মাঙ-তুং কূপ্না য়েংহৌবা চঙই। পূম্নমকসি কান্থোরক্লমগনি হেক্তা হায়বদি নত্তে। অদুবু ওর্দরসি থোকখ্রবা মতুংদা পেৎ-পেৎ তৌনরক্লিবা অসি করিগীনো? লৈবাক লৈঙাকপদা এগজিক্যুটিভকী থৌদাং য়াম্মী অমসুং চাওই। অদুবু ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী নোলেজ খক্তদগী লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ওর্দর অমা হেক্তা থোকচিনবা চুপ্লোই। লৈঙাক্কীসু লো দিপার্টমেন্ট হায়বা'মা চাওথোক চাওনা লৈরি। এদভোকেট জেনরেল অমসুং এদিসনল এদভোকেট জেনরেলশিং লৈরি। চীফ মিনিষ্টরগী লিগেল এদভাইজর ফাওবসু লৈরি। অদুবু লাইরিক্কী মতাংদা ওইরো য়ুঙৌ য়ুঙাংগী লিগেলাইজেসনগী মতাংদবু ওইরো লিগেল এক্সপার্টশিংগী খূৎফম উদবা, লোগী মতাংদা হোত্রোং হোবা মানবা থৌওংশিং হেক হেক চত্থরক্লিবা অসিবু করিগীনো? লৈঙাক অমগী তঙাইফদনা লৈগদবা অমসুং লৈফম থোকপা মকোক মরূ পান্দবগী থৌদৌসি থোকহল্লকপা চুমদে। মপু নীংবা য়োংনা মপুগী মশাদা তোংবা হয়িং হাৎনবা থাঙজৌনা য়ানবদা হয়িং পাইথোকখ্রগা মপু শিবগী ফীভমদুদি তাহন্নীংদে। নহানা মায়বা শাবগী থৌদৌ তাহনগনু, মঙ থনগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **''লমজিংবা''** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **''হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো''** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **''নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# 'হারসু চাইখিদ্রে, শাৎসু শাৎত্রে' -ঐগী লৌ

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্চম দেবেন

নুংঙাইরে-নুংঙাইরে কুমসি-সিদি, লৌমীশিং মতোন থোকপা মখে দাউ য়াজৌ হায়বা কুমদুনি। নুংঙাইবনা মপান শানরপোৎনি লমদমসিগী লৌমী ইচিল-ইনাওশিং পূম্নমকসি। কোক্তা খূৎ হাপ্পা, ইরমদমসিগী লৌমী ময়াম অমসু য়াওনরমগনি। পুন্সি চূপ্পসিমগী লৌ অমুক্তসু উজরকখিদ্রবা ঐনা হন্দক চহী সিখক কদাইদগীনো খঙদে লৌ খঙউ-উনীংলকই। খরা নকপা লৌফম অমখক য়েংলগা লৌ শঙম অনী খক্তং ঐনা উদবা য়াদ্রে হায়দুনা লৌ-উবীরিবা ইয়াম্বদুদা ঐনা য়াম্না ৱানা ঙাঙনজরগা উচিন-নাচিন মঙোন্দগী শত্তোল্লগা উজখি। অদুগদি ফজরে ঐনা লৌ উরুবা কুম অসিমদি 'কুম কাং কুমগী কবি শোইনৌ' গী ৱারীদু চপ চানা তাখ্রে। ঐসু 'কুম কাং কুমগী লৌমী কোকনৌ' হায়বদু চপ চানা ওইখ্রে। ঐনবু সিফাই খল্লবদি কদাইদগীনো খঙদে লানদি অদুম হেক্তা শোয়দ্রে হায়বদুগা চপ মান্নে। ইমানা পোকঙৈদগী হৌনা অমুক্তা ফাওবা লৌ উরকখিদ্রিবা ঐনা কদাইদগীনো হন্দক চহীসিদা শিরগেং লাউনা লৌ উনীংলুরিবসি? করি লাইনা ইনশিল্লপনোসু খঙদে, ইরেন্না ইকং থোকপা কুমসিমা মায়োক্নরে। কুমসি চহীসিখক লৌ উজরুব্রা হায়ববু, ইকায়বনা ইমুং-মনুং অমদি কৈরোয়-লৈকায়শিংগী মমাঙদসু থাবলদা উরুম থিবা হায়বদু য়ৌরে। ওন্থোক্নসু নাতৈ চাখিদ্রেদা, মমাঙঙৈদদি নোংমতসু নোং তারে-তাই হায়রুদে, তাদ্রে- তাদে হায়রুদে। হন্দক্তং লৌ উরুবসিদদি, নুংশা খজিক্তং উরুম খঞ্জিল্লকপদা মায়সি অতিয়ারোমদা থাঙ্গৎতুনা নোং য়েংবদদা অউবা কনাগুম্বনা-কাদি ঐসি চুম্না লৌবীদবা ফাওবা য়াওরম্লনি। কদাইদা চৎখ্রবগে, কুমসি কুমগী লৌবুক্তা তাগদৌবা নোং মখৈসিবু? য়ূমদা, লম্বীদা-কাদি ফনা নিংথিজনা তাখিবা নুমিৎশিংসু য়াওখি। অদুবু হায়রিসিনি, কুমসি কুমগী ওইনদি লৌবুক্তা চৎপা লৈক্রক ফাওবা মেনশিনবা কোন্ননবা তানীংঙাই নোং লৈত্রবা মাল্লি। কুমগা লাইগা পাবা, লাইবক থীবা থৌদৌ হায়দুনি, কুমসিগী কুমসিমদি ঐগী লৌদু লোক্কদবা মান্দ্রে।

কুমগী নোং মরাং কায়না চুখিদবনা মরম ওইরগা কুমসি কুমগী ইরমদমসিগী লৌমী মীয়ামগী লৌবুকশিংনা ওইরক্লিবা ফীভমশিংসি অৱাবগী মশকনি। নোংগী ঈশিং মতিক চানা ফংলক্ত্রবা লৌবুকশিংদা হৌরিবা খুইথরক্লবা ফৌ-পান্বীশিংগী শক্তমশিংদু উরুরগা ফৌ পান্বীশিংদুবু থাজরিবা লৌমীশিংগী থম্মোয়দা করি ফাওরমগনি? পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবগী ৱাকৎশিংদু কনা-কনাদনো থাঙ্গৎলুগদৌরিসি? ফীভমসিদা মণিপুরগী ৱারবা লৌমীশিংগী মতৌশিং য়েংবা ঙমদে হায়দুনসু মহৌশানা শেল থুমগী ফীভম ফৎত্রিবা ইরমদমসিগী লৈঙাকসিনা মণিপুরগী য়াল্লবা লৌমী মীয়ামগী ইমুংশিংদা করি মতেং পাংবীবা ঙম্লুগদৌরি? চুম্নগী নেচরগী ওইবা খোঙচৎসিদা অকায়-অতোয়শিং থোকহল্লক্তুনা কুমসি চহীগী ওইনা লৌবুক্তা নোং মরাং কায়না তাবা খজিক্তং ৱাৎখিবসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু লৈঙাক লৈরি হায়দুনা চোংথোকপীবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরম্বসি তশেংনা হায়রগদি, ইরমদমসিগী লৌমীশিংগী লাইবকসি অসুক্কী মতিক থীবনি। 'লৌ উরুবা নচিঞ্জাক, নচা পোক্লুবা নরন্নাই' হায়বা অহল-লমশিংনা থন্বীরম্বা অশেংবা ৱাচুমদুগী ৱাহন্থোক্তু ঙসিদি ইরমদমসিগী লৌমী মীয়ামসিগী মফমদা পাউজেল ওইনা থোক্লরে। ফীভমসি য়ৌরকপদা মণিপুরগী লৌমী অয়াম্বনা লৌমী হায়বা শিনফমসি তপ্না-তপ্না থাদোক্লরকপগী পোফম অমা লাক্কদ্রা হায়বসিসু চিংনদবা ঙমদ্রি। ফীভমশিংসিগী মথক্তা মণিপুরগী লৌমীশিংনা অমুক্কসু হেন্না পেন্নদ্রিবসিনা, চহী খরগী মমাঙদগী হৌনা চহী খুদিংগী ওইনা মণিপুরদা মণিপুরগী লৌমীশিংনা মথৌ তারকপা মতমদা মখোয়গী লৌবুকশিংদা শীজিন্ননবা হারশিং মতম চানা অমসুং মরাং কায়না অমুক্তা ফংহনবা ঙম্লকত্রিবসিনি। হীরমসিদদি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বা ওইগনি খনবা য়াবা থৌদৌশিং কয়ামরুম অমা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা ঙাইহাক লৈতনা থেংনখ্রে। মরমসিনা মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী লৌমীশিংগী মফমদা চহী খুদিংগী ওইনা মতাং-মতম চানা মথৌ তাবা হারশিং অমুক্তা ফাওবা ফংহনবা ঙমদবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না লেমজনফম ওইদবা থৌদৌ অমা ওইগনি। তশেংনা লৈঙাক্কী থৌদৌসি লানগনি হায়বা ৱাফমসিসু থম্নীংই। মালেমসিগী ওইনা অয়াম্বা লৌউ-শিংউবা লৈবাকশিংদা লৌমীশিংবু খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ইকায়খুম্নবগী থৌরমশিং তত্তনা পাঙথোক্লুরি। ঐখোয়নসু তত্তনা থেংনরি। চহী খুদিংগী লৌউ-পান্থাদা মতম চানা-চানা লৌমীশিংদা হার ফংহনবীবা অমদি ইকং থোকপা মতমদা লৌমীশিংগীদমক পম্পনা ঈশিং চিংবীদুনা লৌবুকশিংদা নমদুনা ঈশিং ফংহনবীবগী থৌদৌশিং লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা থৌদৌশিংগী মনুং চল্লিবনি। ঐখোয়না খঙজিনমিন্নবা য়ারিবসি মালেমসিদা লৌমী হায়বসিননি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী ইপুক থলহনবীরিবসি হায়বসিনি। তাইবঙ মীনা হিংনবগীদমক মথৌ তাবা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং খুদিংমক, লৌমীশিংনা পুথোকপীরকপা মহৈ-মরোংশিংদগী শেম-শাবা ঙাক্তনি। অসুক্কী মতিক অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীফম থোকপা লৌমীশিংবু ঐখোয়না তরাই-তরাইনা লৌবা মানবা থৌদৌশিং চত্থবা হায়বসি তাইবঙপানবু শেন্বীরিবা মপু মাগী মিৎয়েংদসু শোয়দনমক্কী লান্না উরমগনি। অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি লৌমীশিংগী মফমদা থোকহন্নীংদে।

য়াইতোং-ফমদোংবা, নুংঙাই য়াইফবা মীওইশিংনা জীপ-কার তোংদুনা নুংঙাইনা কোয়বা-লাংবা চৎলবসু, লৌমীশিংগী মপোক্তা পোক্লুরবা, মীয়ামগী পুকচাক থাকপীরিবা চমজরবা ইচিল-ইনাওশিংসিনদি ইনাকখুনবা অচৌ-অশাংশিংনা তোংলকপা জীপ-কারশিংদু কৈদৌঙৈদা খক কল্লক্লুদে। ইনাকখুনবা অচৌ-অশাংশিং কয়ামরুম্না জিপ-কারশিংগী মনুংদা নোং চোত্তনবা অমসুং তিনফা-কাকফৈশিংনা লাম্বা ফংদনবা নুংঙাইনা চৎলবসু লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনদি কৈদৌঙৈদসু খক মখোয়গী থম্মোয়দা থৌদৌশিংদু উশিল্লুদে। পুকচেল চাউরবা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংসিগী হায়ববু মখোয়দি চোৎকে হায়রসু চোৎচসনু, তিনফা-কাকফৈনা চিক্কে হায়রসু চীকচসনু, মখোয়গী হায়ববু শুপ্নতগী মখোয়গী লৌউ-পান্থাগী মতমদা নোং খক্তদি মরাং কায়না চুবীয়ু হায়বসি খক্তনি। কুমগী নোংনা খুরক হাংদবা মখৈ অতৎ-অখম লৈতনা চুথরকপা চীংজিনগী নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা লৌমী নত্তবা মীপূম খুদিংমক্না নুংঙাইনা তূমখুন তান্নরিঙৈ মতমদুদা লৌমীশিংনা ফমুংদগী ফন চোংথদুনা কল্লবা নোংলিক মরক্তুদা শুপ্নগী রেনকোট অমখক তুপ্লগা লৌবুক মায়কৈ পাঙদুনা চেল্লিবনি। লৌবুক হেক য়ৌবগা মখোয়না কোবুতা খোয়রুরিবনি, ঈরম-খোংলমসু শেম্লুরিবনি। নোং হেক হাংখিবগা লৌরি শেম-শাগনি, য়োৎপাক য়োৎলৈশিং নোংথাঙ শানা লৌরি কাচিন য়ানগনি। অসুম্না, চাবা মচেৎ, তূম্বা মচেৎ পাদুনা ৱানা পাঞ্জরকপা লৌশিংদুনা মতাং-মতম চাদনা কুমগী নোংনা হাইগৎখিবদা লৌগী লৌখোঙ খুদিংদা লৈক্রক ইহুন তম্লকপা, ৱাই-ৱাই তারম্বা ফৌনাশিংদুনা খুইজিল্লকপগী থৌদৌশিং উরুরগা লৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী থম্মোয়দা করিনো ফাওরমগদৌরিবসি? ৱানা হোৎনজদুনা উজরকপা লৌশিংদুনা লৌখোঙদা ঈশিং ৱাৎলকপদগী শাৎলমদাইগী মতমদা খাঙভুথক্তা শাৎপা ঙমদনা কংশিল্লকপা, লৌমী কনাগী ৱাখলনা নে-তানা পোত্থাবা ঙম্লমগদগে? লৌমীশিংগী ৱাখলদদি শংবান্নরবা লৌবুক্তা মালংগী ইহুন ফংবদা অশংবা ফৌনাশিংনা ঈথক-ঈপোমগা লোয়ননা নোম্না জগোয় শাবদু উজরগা পেঞ্জগে হায়বসি খক্তনি। করি পাম্বৈদি লৈ, কুমগী নোং মহাক্না মনুং মতম চাদনা লংথোকপীরম্লবদা, কংলবা লৌবুক্কী লৈশাৎ তমদ্রবা খুইথরবা ফৌনাশিংদুবু চমজরবা লায়রবা লৌমীশিংনা করি পাম্বৈ শীজিন্নদুনা অমুক হন্না তেকখৎহনবা ঙম্লুগনি? নীনিগী আশা, হুমনিগী পিরাং, শাৎপা ঙমখিদ্রবা ইকং থাগী ফৌ পান্বীশিংদুনা লায়রবা লৌমীশিংগী মফমদদি মথং চহীগী থৱায়নি অমসুং চাকখাউগী লননি। অসুম্না, লায়রবা লৌমীশিংগী লনশিংদুনা খঙহৌদনা পাইখ্রবদা লাক্লরোই অমুক হন্না লায়রবা লৌমীশিংগী মফমদা, চহীদুগী ওইনা লৌরোক থা অমমুক, পোইনু থা মানা য়ৌরক্লবসু। সিনি, কুমগা লাইগা পারিবা, লায়রবা লৌমীশিংগী পুন্সি হায়রিবসি। কুমসি চহীসিগী ওইনদি ইকংনা মরম ওইদুনা শাৎপা ঙমদনা লৌফমদা হৌনা-হৌনা কংশিল্লকখ্রবা ফৌ-পান্বীশিংসিনা ওইহল্লক্কদবা মথং চহীগী লায়রবা লৌমীশিংগী চাকখাউগী লাঞ্জাওশিংসি, কনাননো মূৎহনবীগদৌরিসি? লাঞ্জাওসি য়ৌশিল্লক্কনি খনবদা লায়রবা লৌমীশিংগী থম্মোয়দা মিপাইবশিং ফাওনরি।

কুমসি চহীগী লায়রবা লৌমীশিংনা থেংনরিবা লৌবুক্তা নোং তাদবগী কুম্মৈশিং অমদি লৈঙাক্না মতম চানা লৌমীশিংদা হার ফংহনবা ঙমখিদবগী থৌদৌশিং পূম্নমকসিনা লায়রবা লৌমীশিংগী মফমদা অনৌবা মহয় অমা পীবিরি। মহয়দুদি ফৌপানশিংনা লৌবুক্তা লেপ্ন-লেপ্না কংশিল্লকপা, মুনা শংলবা ফৌনাশিংনা লেঙ-লেঙ চৎতুনা জগোয় শাবগী মহুত্তা পান্বীশিংদা পান্ন-পান্না খুইথরকপগী থৌদৌসিনি। থৌদৌশিংসি উরুরগা লৌমীশিংদা নত্তনা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দসু অসুক্কী মতিক পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওহল্লি। তশেংনমক অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি মথংগী চহীশিংদদি অমুক হন্না থোকহনবীদনবা হায়দুনা ঐখোয় পূন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদসু পাউজেল্লসি অমসুং তাইবঙ মপুগী মকাদসু থৌজানবীয়ু নীজসি। ●

# 'তেন্থাদা ইরাবত নুমিৎ'

— নোংথোম্বম প্রিয়োকুমার —

তেন্থা খুল ইম্ফালদগী খা পাংনা হাইথরকপনা ৱাংজিং বজার য়ৌরগা ৱাই কে কোলেজ মপাদগী নোংচুপ পাংনা কিলোমিটর ৪/৬ লোম চৎলগা লৈবা মহৌশা লাইরেম্বীগী নীংথিরবা খূৎশেম পূম্নমক শুনা লৈরবা খুল অমনি। মণিপুরগী মশক নাইবা পাৎ খরুংপাৎ, ইকোপ পাৎনচিংবা পাৎ কয়াগা ইশম শম্নবা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা খুল অমনি। খুল অসিগী ময়ায় ওইরপনা হৈরোক মমাঙগী চীংশাংশিংদগী হৌরকপা ৱাংজিং তুরেলনা চেল্লি। তেন্থা চাউরবা লৈকায় কয়ানা পুল্লগা শেম্বা খুলনি। খরদং পল্লবদা তেন্থা খোংবান, তেন্তা হৈবুং, তেন্থা খুঞ্জাও, মরোংবন অমদি তুৱাবননচিংবনি। মহৌশা লাইরেম্বীগী ফজবদা চীং-পাৎ, তুরেল অমদি লৌবুক-লম্মাং কয়ানা লৈতেংবা মফম অমনি। মহৌশাগী ফজবা কয়া শিংথাদুনা ইরুবদা অৱাৎপা ঙাক্তা ওইগনি। লমদম অসি শুবা নোম্বা কনবা, পুকচেল শেংনা থবক তৌবা, ঐগী মীগী নাইদনা নুংশি চান্নরা হিংমিন্নবা খুল অমনি।

সেপ্টেম্বরগী তাং ৩০ অসি অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম্না তেন্থাদসু নেতা ইরাবতকী মপোক্কী থৌরম কয়া পাক চাউনা পাঙথোকই। কুমসি চহী ২০২২গী সেপ্টেম্বর ৩০দা ঐগী ইনাও ওইনা লোয়নবা ৱাংজিংদগী সোইবম বিরকুমার কৌবা নহা অমনা তেন্থাদা নুমিদাংগী মতমদা ইরাবতকীদমক মৈগী কুম্মৈ য়াম্না ফজনা চাউনা পাঙথোকই, য়েংউসি হায়দুনা ঐবু হৌবীরকখি। মহাক গৌড় ধর্ম্ম চৎপা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া কয়াদা মীয়াম্না শক খঙনরবা মচিন তুমখৎলক্লিবা পূঙ য়ৈবা নহা অমনি। হায়নখিবগী মতুংইন্না থৌরাং তৌদুনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মুক তাবা মতমদা মাগী গাড়ী এক্টিভা তোংদুনা তেন্থা খুল য়ৌনা চৎলম্মী। তেন্থাগা তাইনবদা মুসলিমশিংগী খুল শঙ্গাইয়ূম্ফম লৈ। মৈতৈশিংগা য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা খুল অমনি। অঙকপা মওং অমনি খুল অসি হেক লান্থোকপগা তেন্থাগী খুল হৌরকপদগী থাল্লম্লিবা মচু কয়াগী মৈগী পরেংশিং, লম্বীগী নাক য়েৎতা, তুরেলগী নাক য়েৎতা, উপাল ৱাপাল কয়াগী মরক্তা মচু কয়াগী থাওমৈ পরেংশিং অদু উরুবদা অঙকপা ফংনা ফজখি। মণিপুরগী মনুংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওং অমনি। তুরেল অদুগী মথক্তা লৈরিবা থোং খুদিংমক্তা অঙকপা ফংনা ফজনা লৈতেংলম্মী। তুরেলগী ঈশিংদা তারিবা মমিশিং অদুনসু হেন্না থোইনা নিংথিজহল্লি। য়েংখি য়েংখিবা মায়কৈ খুদিংদা ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা লাইফম হরিদ্বারদা গঙ্গা পুজা নুমিৎতা মচু কয়াগী থাওমৈ কয়া থান্দুনা লৈতেংহৌবা অদু নীংশিংহনখি। থাল্লিবা মৈ ময়াম অদুগী মমিনা গঙ্গা তুরেলদা তাদুনা হিরা মণি মুক্তা কয়ানা চেন্থরকপগুম নিংথিজহৌবা অদুবু নীংশিংহনখি, অমুক্কসু ৱর্ল্ড কপগী মতমদা চাইনাগী সহর কয়াদা থানখিবা মচু কয়াগী মৈগী লৈতেংশিং অদুরা হায়না খল্লকখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা তেন্থাদা নেতা ইরাবতকীদমক পাঙথোকখিবা মৈগী কুম্মৈ ময়াম অদু মণিপুরগী মফম অতৈদা অমুক্তা উখিদ্রি। তুরেলগী ময়ায়দা শারিবা ষ্টেজ অদুগী মমাঙদা কাপখৎলিবা মচু কয়াগী মৈ-ঈশিং অদু উরুবদা বৃন্দাবনগী প্রেম মন্দির মমাঙদা মচু কয়াগী মৈ-ঈশিংগী কুম্মৈ অদু নীংশিংহনখি। মফম অদুদসু জগোয় ঈশৈ কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোকহৌই। তেন্থাগী য়ূমথোঙ খুদিং মৈঙালগী কুম্মৈ পাঙথোক্তবা অমত্তা য়াওহৌদে। মফম কয়াদা, লৈকায় কয়াদা নিংথিনা লৈতেংলবা মান্দব কয়া কয়া শাহৌই। নেতা ইরাবতকী মরমদা খন্ন-নৈনবা কয়া, শৈথা ঈশৈ কয়া, জগোয় কয়া পাঙথোকই। মফম কয়া অমদনা রচনা ইবা, লাই য়েকপনচিংবা অথোই অহেন তান্নবগী মনা মথুম্নচিংবা য়েন্থোকপগী থৌরম কয়া অমসু পাঙথোকহৌই। তশেংনমক লময়ানবা নেতা ইরাবতকী থৱায়না নোংদোল থক্তগী য়েংথরকপা ওইরগদি মণিপুরগী মনুংদা মহাকপু থম্মোয় শেংনা অৱাংবা থাক্তা থম্বীবা, মাবু ঈরাৎ পুজা তৌবীবা অসি তেন্থা খুল অসিনি হায়না লৌনরগনি।

মফম খরদনা লাইরিক-লাইশুদা থৱায় য়াওবা মীথোই মীহেনবা কয়াদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোকহৌই। মফম কয়াদা চৎনবীগী ফিরোল লূ-নান্না শেৎতুনা থৌরমশিং অদুবু থৱায় য়াওনা শিলহৌবা নহা অদু খঙনীংবদগী কনানো হায়না হংলুই। মদুদা অহল অমনা খুল্লকখি - মহাক লমদম অদুগী প্রধাননি। মিংনা নাওরেম প্রদিপ কৌই হায়রকই। থৌরম কয়াদা মাগী থৱায় য়াওবা অদু উরুবদা মাবু পূক্লিংদা থাগৎতবা ঙমখিদে। চাওরবা মচু কয়াগী কুম্মৈ কয়া অদু য়েংনবা অমদি য়াওনবা অনকপা অমসুং অরাপ্পা মফম কয়াদগী লাক্লিবা ইমা-ইবেল, অহল-লমন, পাখং লৈশাবী, অঙাং ময়াম অদুনা লম্বী অদু অঙকপা ফংনা চিল্লম্মী। মফম খুদিং গাড়ী অচৌবা, মচা কয়া মফম চানা-চানা থমহল্লম্মী। তৌবতবু মফম কয়াদা সিক্যুরিটিগী ফিজোল শেৎপা, নোংমৈ পায়বা মীওই অমত্তা উরক্তে। লমদম অদুগী নহাশিংনা ঙাকচ-শেঞ্জবা উরকখি।

য়েংলুরবনিনা খঙনীংবদগী লমদম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরদা - অসুক চাউরবা নিংথিরবা থৌরম ময়াম অসি কনানা শিনবনো, শেল কদাইদগী পুথোকই, লৈঙাক্না নত্রগা কনাগুম্বা এম এল এ অমনা পুথোকপ্রা হংলুই। মদুদা লৈরমখিবা মীশিং অদুনা খুল্লকখি মদুদি, লমদম অদুদা লৈবা ক্লব কয়ানা অমদি তেন্থাগী মীপূম খুদিংমক্না মরন্নাই ওইনা তৌদবা য়াদবা থবকনি খন্দুনা পুথোকচবনি। কনাগুম্বা খরনা থাওমৈগীদমক জেনরেটর কয়া পুথোক্লরকই। নুপী অঙাং ফাওবনা শেল, পাঙ্গল, লৌশিং কয়া পুথোক্লরকই। নহা খরগী মমিং হায়বীয়ু হায়রুবদা মোইরাংথেম অজন্তা অমদি মাগী কাঙবু কয়ানা থৱায় য়াওনা হোৎনখি হায়রকই। অথাপ্পা মফমশিংদগী লাকপীবা ঈশৈ নোংমাই থৌরম পাঙথোকপীখিবা সম্পা ম্যুজিক্কী, লাইভ কন্সর্ট পীখিবা অমদি মসিবু লুচিংবীরকখিবা দোলী অরিবমগী ঈশৈনচিংবা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখি, য়াম্নসু থাগৎনখি।

মমাঙঙৈগী মতমদা ইরাবত দে নৎত্রগা ইরাবতকী থাবুম অমা চূপ্না চত্থবা থৌরম হেক পল্লকপদা কম্যুনিষ্ট পার্টিবু হেক হেক নীংশিংলকই। থৌরম কয়াসু কম্যুনিষ্ট পার্টি অমদি পার্টি অসিগী মসা লোয়শঙ কয়ানা শিন-লাংলম্মী। ইরাবত হেক পল্লকপদা মী অদু কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওবা মী ওইনা উনরম্মী। ঙসিদি ইরাবত মীয়ামগীদমক, লৈত-লায়র, লৌমী শিন্মীগীদমক খনবা, মরৈবাক নীংবা লুচিংবা অমনি হায়বা খঙনরক্লে। মীয়ামগীদমক খন্দুনা ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা মীরমদা অৱাবা খাঙখিবা অদুগী মমল ওইনা মহাকপু মীয়ামগী নেতা হিজম ইরাবত হায়না খঙনরক্লে, পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্না মখোয়গী লুচিংবনি হায়না মুন্নরক্লে। মসিমক্তি তশেংনা অফবা খুদম অমনি।

লুচিংবা অসিগী মরমদা পাক শন্না অখঙবা শাদুনা ইজরুবগী ইতিক লৈজদে, চুম্নবগী তেন্থাদা থৌরমশিং অদু য়েংলুবদা পূক্লিংদা ফাওরকপা ঈথিল অদুতং ইজবনি, লানখিবা কয়া য়াওরবসু ঙাকপীয়ু। ঐহাক নুমিদাংগী পুং ৯ লোম তারকপদা ৱাখল কয়াগা লোয়ননা হল্লকখি। ঐনা খঞ্জরুবদা মীয়ামগীদমক খনবা, মশাগী ওইজবা কয়া থাদোকপা ঙম্বা, লৈত লায়র, তোল্ল-তারবা লৌমী শিন্মীশিংগীদমক খনবা ঙম্বা, লৈবাক অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাখল থাদোকপা ঙম্বা, লৈবাক অসিবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবা ঙমগদবা নেতা ইরাবত কুম্বা অমা করিগুম্বা মথং মপোক অমদা তাইবঙ মালেম অসিদা খোঙদাবীরকপা তারগদি তেন্থা খুঙ্গংদা পোকপীরকউ হায়না তাইবঙ শেম্বা মপু মাগী খুয়াদা খুরুমজরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।